# অচুম্বসিবু লৈরিব্রা - ১২০

ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম

**মণিপুরগী** মফম খুদিংমক্তা মমাঙঙৈগী মতৌগুম শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক অসি ইতা তানরকখিদ্রে। মসি তশেংনমক পুমুচুম চুল্লবরা? মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না ঙাঙনবা তনবদগী ঙাঙদ্রবরা? মদু নৎত্রগা হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক পায়রিবশিং অসিনা তশেংনমক শেঞ্জা থুমজা হায়বসি থাদোক্লব্রা? মমাঙথক্কী ইলেক্সনগী মতমদা মখল মখাগী শেনয়াম য়েন্দুনা চথরকখিবা ওইবনা শেঞ্জা থুমজা পূম্নমক তৌদ্রে হায়বসিদি ষণনা উরোক থোং লাল্লবসু থাজনদে হায়বদুনি। মসি পূম্নমক লৈঙাক পুমিন্নরিবশিংনদি ময়েক শেংনা খঙনরমগনি। মমাঙথক্কী কোংগ্রেসকী লৈঙাক মতমদা চাদা ১০দগী চাদা ১৫ য়ৌনা ঙাঙনরম্মী। অদুবু হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাফম পনরক্তবসি ঙাঙনবা ৱারদুনা তোক্করিবরা? নৎত্রগা ঙাঙনবগী কান্নবা করিসু লৈতে খন্দুনা তুমিন তুমিন লৈনরিবরা? মসিগী মথক্তা হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা অচুম অরানগী ৱাফমদি খঙদে চাদা ৩৩ ফাওবা পনরকপা য়াওরে ঙাঙনরিবসি তরাইবা নত্তে। অদুবু নুংশিৎ শিৎতনা উনা খক লেংদে অদুবু কুমজা ২০১৯দা চাউরবা ইলেক্সন অমা মায়োক্লগদৌরি। মসিদা অচুম অরান পূম্নমক ময়েক শেংনা ঙাঙনরকপা মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি। মতম অদুদা মন্ত্রি শেঞ্জা থুমজা তৌবা ময়েক শেংনা খঙনরক্লগনি।

চহী অমরোম লৈঙাক পায়রকপদা মন্ত্রি, এম এল এশিংগী শক্তম হোংলকপা মীয়াম্না ময়েক শেংনা উনরিবা ঙাক্তনি। মতম শাংনা লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক মশীং য়াম্না কাজরবসু লৈঙাক পায়বা ঙমখিদবসি ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈনা লৌনরিবনি। মসিমক পাপ মখল অমনি ঙাঙনরিবনি। হন্দক্কী লৈঙাক অসিদা অনৌবা নহারোল ঙাক্তগী লৈঙাকনি। মরম অদুনা য়াম্না হৈনা শিংনা ঙসি ফাওবা লৈঙাক চথরিবসি তরাইবদি নত্তে। অমুক হন্না ইলেক্সন তৌবদা চিংনবদগী মকা ফোংনদবসু ওইরম্ব্ঠ য়াই। ঙসিমক মীয়াম্না শিংনরিবসি তরাইবদি নত্তে। মীয়ামগী কোল্লাউ, মীয়ামগী ঈহৌ কৈদৌনুংদা লেম্না খক মাঙফরোই। মসি পূম্নমক ৱারবসু ৱানা চহী ৫দি খাঙনবা য়াওদে হায়বা য়ারোই। মপুন্সিদা থাজ-থাজদ্রবা কয়া ভোট কারে। মসিগী মথক্তা মশা মশানা ফাওবা থাজদ্রবা মন্ত্রি ওইবা য়াওরল্লোই হায়বসু অরানবা ওইগনি। হন্দক্কী শ্রী বিরেনগী লৈঙাক অসি থোইদোক হেন্দাকপা মওং অমনি। শ্রী বিরেনগী পোলিসি অঙকপনি হায়দবসু য়ারোই। চীংমী তম্মী অনীগী মরক্তা লৈরম্বা থাজনদবগী ঈহুল খরদি তরু-তরুনা ময়েক শেংনা উহনবা ঙল্লে। বন্দ, ব্লোকেদ কয়া তপ্না তপ্না নেমথহল্লে। মসিমক ইনৌ নৌবা পোরম অমনি। মসিগী মথক্তা থাজদ্রবা মণিপুর মীয়াম্না নুংদা ফমদুনা থম্নরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট মথি ফোংলকপা তরাইবা নত্তে। মসিগী মথক্তা আস এল পিগী ঈহৌ চুম্না তকোম তকোম খন্দোকপা য়াররোই। চীংমী মরক্তা তম্মী মরক্তঠ লৈনরিবশিং ময়েক শেংনা শেংনা ঙাঙন-শক্নরকপা তরাইবা নত্তে। ঙসি ফাওবা ঈহৌগী ঈরাং শাগোন্নদুনা থরুম থম্নরল্লোই হায়বা য়াবা মতাং ওইদ্রি আস এমগী নুংগী শরৌ লাং থাক্লল্লোই হায়বা য়াদ্রি। আই এল পিগী ঈরাং তুমিন তোক্কদবা ৱাফম লৈতে। আই এমগী অরোনবা থৌরাং সেন্তরনা খঙনা খঙনা ঙসি ফাওবা নাথৈবা তরাইবা নত্তে। মসিগী মমাঙদা শ্রী বিরেনগী চীংমী তম্মী অনীগী চান্ন-চিন্নবা হোৎনরক্লিবা পোলিসিসু থাগৎতবা য়ারোই। চীংমীগীদমক 'চীংদা চৎলু' তরাইবা পোলিসি নত্তে।

শ্রী বিরেনগী 'চীংদা চৎলু' হায়বসি মহয় য়াল্লব্রা? ৱাহং অমদি মাঙদা তরং তরং লৈরি। ঙসি ফাওবদা চথরক্লিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা চীংমী মীয়াম্না থাজবা থম্নরব্রা হায়বা ৱাহং অমদি লেপ্তুনা হংনরক্লি। শ্রী বিরেনগী তাবদা ওন্থোক্লা ফজরবা 'চীংদা চৎলু' তোপ তোপ্পা লালওং অমনি। মহাক্কী চীংদা চৎলু হায়বসি তশেংনা মপূং ফানা থবক ওইনা পাঙথোক্লবরা? চীংমী ইচিন ইনাওশিংনা কদাই ফাওবা কান্নবা ফংলবগে হায়বা ৱাহং অমা চাউনা মীয়াম মমাঙদা লৈতবা নত্তে। মসিগী মতাংদা চীংমী খুদিংমক্লা কদাই ফাওবা খুদোংচাবা ফংনরবগে। ৱাহং অসিগী পাউখুম চীংমীশিংদগী করি ফজবা পাউখুম ফংনরবগে? চীংমী মরক্তগী পোলিটিক্সকী ৱাফম য়াওদনা মরোমদোম ফোঙদোকপা মীয়াম তান্নরবরা? মসিমক তম্মীশিংনা হংনরিবা ৱাহং অমনি। ঙসি ফাওবা লৈঙাক পায়রিবশিংনা পংহায় হায়বনা য়ারোস। মতম খরগী মমাঙদা থবক ওইনা পায়খৎখ্রবনি। ঙসি ফাওবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পাউচেদা, রেদিওদা পংলাউ লাউবনা অচুম্বা অশেংবা ওইনা লৌবা য়ারোই। ২১শুবা চহী চাসিদা কম্প্যুটরগী খম থেংনা চাওখৎলবসিদা চিনগা খূৎকা মান্নবগী থবক দরকারনি। মসিমক শ্রী বিরেনগী লৈঙাক অসিনা লাউরিবা ঙাঙনরিবশিং মপূং ফানা ওন্থোক্লব্রা? মসিমক ১০০গী মনুংদা পাঙথোকপা ঙমদ্রবসু ১০০গী মনুংদা ৫০দং থবক ওইনা পায়খৎপদা মীয়াম্না বি জে পিবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎনগনি। 'চীংদা চৎলু' হায়বসিগী ৱাহন্থোক মপূং ফাহনসি। মীয়ামগী মচিন কনানসু মেনবা ঙল্লোই। মীয়ামগী খোল্লাউ তাইবঙ মপূগী মপাউনি। চীংমীশিংগী মরক্তগী থাজনবা লৈরবরা? ৱাহংসিগী পাউখুম চীংমীশিংনা পীবিগদবদু তম্মী মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি।

মসিগী মখা তারকপদা শ্রী বিরেনগী 'চীংদা চৎলু' হায়বা ওন্থোক্লা ফজরবা পান্দমসিগী মখা তারকপদা 'খুঙ্গং চৎলু' হায়বা সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবগুম পান্দম অমা পুথোরকপা মণিপুর মীয়াম্না ঙমখৈ লৈতনা থাগৎনরি। মরম অদুনা 'খুঙ্গং চৎলু' হায়বসি মতম খরসিদা লেপ্তুনা পাঙথোকপগী পাউ নুংতিগী ফোঙবা পাউচে অমদি ওল ইন্দিয়া রেদিওদা শন্দোকপা লেপ্তুনা তারি। মসিমক করম্বা পোলিসি, করম্বা মওংদা পাঙথোকপগে হায়বা ৱাহং কয়া মীয়াম্না ঙাঙনরক্লি। মণিপুর চাওখৎপা হায়বসি চীং-তম পূন্না চাওখৎলবতদা মণিপুর চাওখৎপগী মশক ওইমিন্নগদবনি। মণিপুরগী খুঙ্গং খুদিংমক লৈঙাক্লা কদায় ফাওবা মনুং হুনজিন্না মিৎয়েং চঙলিবগে হায়বসি ওন্থোক্লা তাঞ্জা চারবা মতম অমনি। ঙসিদি খুঙ্গংগী লম্বী থোং, ঈথৈ লৌখোং, লৈরক খুল্লক অমত্তা চৎপা য়াদ্রে। পূম্নমক্কী মথক্তা লৌমীশিংগীদমক ঈথৈ লৌকোং মতিক চাদবদগী অৱাবা মায়োক্লবা তাঞ্জা অমসুনি। মমাঙথক্কী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা শেল্লম্বা খরদগী ঙসি বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপা চহী অমা হেল্লবা ফাওবা লম্বী থোং করিসু শেমগৎপা অহোংবা করিসু লৈতে।

অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জা অসিদা বি জে পিগী শ্রী বিরেনগী খুঙ্গং চৎলু হায়বা থৌরাং লাকপা হায়বসি খুঙ্গংগী মীয়ামগী থম্মোয় শেংনা হরাউজবা তাঞ্জা অমনি। ঙসিগী মণিপুরগী খুঙ্গং খুদিংমক ঈথৈ লৌখোং, লম্বী থোং, লৈরকশিং নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্লে। মসিগী মতাংদা হন্দক্কী খুঙ্গং চৎলু হায়বা ফজরবা পান্দম অসিনা মরী লৈনবা এস দি সী, আমিন য়াওনা লাকপীদুনা মাঙখিবা তু-খোং, লম্বী কয়াগী অরান অহুই চেক তৌবীরবদি খুঙ্গংগী মীয়াম্না থোইনা হেন্না হরাউজগনি। ঙসিদগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা খুঙ্গং করদা লাক্তুনা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু নোংমা নীনি ৱাৎলিঙৈদা মীয়ামদা খঙহনবীদনা লোন্না পাঙথোকপা শুম চথরকখিবসি ৱাহন্থোক লৈগদ্রা? ঙসিমক খুঙ্গংগী লম্বী থোং, ঈথৈ কয়া ফুনজিন্দুনা মাঙহনখিবশিং চেক তৌবগী মথৌ তাদব্রা? খুঙ্গং খুদিংমক্কী লমলেম লমহাং কয়াদা লম খোপচিনবগীদমক মরী লৈনবশিংনা এস দি সী, আমিন য়াওনা লাক্লগা য়েংশিনবগী থবক পায়খৎতনা টেবলদা ফল্লগা ৱাহৈ খরা ঙাঙবনদি ৱাহন্থোক লৈগনি নীংদে। খুঙ্গং চৎলু হায়বা পান্দম অসিদি খুঙ্গং অদুগী লম্বী থোং, ঈথৈ লৌখোংশিং অমদি লমলেম লমহাংদা লম খোপচিনবশিংগী মথক্তা থবক ওইনা পায়খৎপীদুনা অচুম্বা পোরম পীবিরম্বা, মীয়ামগী অপাম্বনি। শ্রী বিরেনগী খুঙ্গং চৎলু হায়বসি মপূং ওইনা খুঙ্গং খুঙ্গংদা লৈরিবা চয়েৎনবা, চমোৎনবা ৱাফম কয়াবু লম্বী থোং, ঈথৈ-লৌখোং, লমলেম, লমহাং কয়াবু ইকায় খঙদবা, মশা মশাগী ওইজবা থিবশিং কয়ানা ঈথৈ লৌখোং ফুনজিন্দুনা মাঙহল্লিবশিং লমলেম লমহাংদা খূৎকন পাঙ্গলবশিং লৌশিনবশিং মরী লৈনবা এস দি সী, আমিন য়াওনা খুলদুগী প্রধান, মেম্বর কয়ানা য়াদে হায়বা ফাওবা ঙমজদবা পাঙ্গল শক্তি কয়ানা নম্ফু হাফুদা খোপচিনবনচিংবা মশা মশাগী থোঙ্গাল উকু ফাওবা ঈথৈ লৌখোং ফুমজিল্লিবশিং শ্রী বীরেনগী খুঙ্গং চৎলু হায়বা নিংথিজরবা পান্দম অসিদা অমোৎ অকায় পয়াবু মমাঙথক্তগী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা নারোন্দা পাট্টা পীশিল্লম্বা কয়াবু মরীক চুম্না চুমথোকপীনবগী তাঞ্জা পীবিরমদুনা মোৎলবা লমদমসিগী শেঞ্জা থুমজা কয়াদা লাইচুরবা মীচম মীয়াম কয়াগী মতেং পাংবীদুনা অচুম্বা অশেংবা শক্তম কয়াবু লমতাকপীদুনা পাঙ্গল থোকপা ঙমদ্রবা লৈকায় খুঙ্গংগী মীওইশিংগী চাওখৎপগী পোরম লম্বী য়াৎপীদুনা অকন অরিং শিংনরকপা কয়াবু আইনগী থোংদা তেংবাংবীনবগী ফজরবা প্রোগ্রাম অমসু ওইনদুনা চাওখৎ খোঙথাংদা মায়ওন পুবিরক্লবা নীংশিংজরি। খুঙ্গংগী মীয়ামগী ৱাকৎ তাবীরগা অফবা লম্বীদা লমজিং লমতাকপীহন্নীংই। মপূং ওইনা খুঙ্গংগী প্রধান, মেম্বর খুদিংমক নহা ঙাক্তা ওইবনা খুনগী শেঞ্জাও পায়বা, মঙক কন্না ৱাজাও ঙাঙবশিংদা হঙ্গৎনা হায়জবা ঙমজদ্রবশিংবু আইনগী মীৎয়েংদা হুমদোকপীরবদি লমগী, ঈথৈগী, লম্বীগী চয়েৎনবশিং চুমথোক্লবগী তাঞ্জা পীহঞ্জনীংই। মদুগী মহুত্তা লৈঙাক্কী চিন্না অমা, থবক্লা অমা তৌবগী চৎনবী থাদোকহঞ্জনীংই।

অরোইবদা মপূং ওইনা থমজনীংলিবদি শ্রী বিরেনগী 'খুঙ্গং চৎলু' হায়বসি খুঙ্গং-খুঙ্গংগী অশোয়বা অরানবশিংদু প্রধান, মেম্বর, খুঙ্গং অদুগী আইন কানুনশিংদগী অরানবা ৱাকৎ, অরানবা মমাঙথক্কী শেঞ্জা থুমজানা মতম মতমদুগী এস দি সী, আমিন খরনা শেঞ্জা থুমজা তৌরগা লমলেম, লমহাং কয়াবু অরানবা মওংদা পাট্টা পীরম্বশিং আইনগী থোঙদা মরী লৈনবশিংনা চুমথোকহন্নীংই। মসিগী মথক্তা শ্রী বিরেনগী খুঙ্গং চৎলু অমদি চীংদা চৎলু হায়বা ফজরবা পোরম মায় পাকহনসি, মতাংসিদা লৈঙাক্কী থৌমী কয়ানা তেবলদা থবক পায়খৎপনদি অচুম্বা থবক ওইরোস। শ্রী বিরেনগী খুঙ্গং চৎলু হায়বসি মপূং ফানা থবক ওইনা পায়খৎপদা অওনবা মণিপুর, অনৌবা মণিপুর অমগী আশা ওইহনসি। ইম্ফাল মনুং খরা শেমগৎলগা মণিপুর চাওখৎলে হায়বা য়ারোই। অচুম্বগী মফম মাঙশিল্লক্লে, অরানবনা অচুম্বা শারকপদগী লৈবাক অসি নোংমা নোংমগী মাঙথরক্লে। শ্রী বিরেনগী তোপ তোপ্পা 'খুঙ্গং চৎলু', 'চীংদা চৎলু' হায়বসি মহয় য়ানহল্লবদি মণিপুর ইন্দিয়াগী মনুংদা তোপ তোপ্পা ষ্টেট অমদি শোয়দনা ওইরগনি। লৈঙাক্কী চিনবানথোং ফজবা থবক ওইনা ওন্থোক্তবদগী দশা কয়া মথং মথং লাকহন্দনবা হোৎনমিন্নরসি, ঐখোয় পূল্লসি, ঐখোয়না পূল্লবদা ঙমলোইদবা লৈতে। অপূনবগী জয় লৌমিন্নরসি, অচুম্বগী মফম অমা তরু তরুনা থম্মীন্নরসি।

# তাবিরোই কনানসু মখৌ পোংনা লাউরুদ্রবদি - ২

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

ইন্দিয়ানা ঐকোয়দা য়েংলিবা মান্নদবা মীৎয়েং অসিনা পেন্দবা কয়া পোকহল্লি হায়নসু থমখি মখোয়গী মফমদা। অসুম্না তামো মনাওবীনা মহাক্কী অচুম্বদা য়ূম্ফম ওইরগা থৌনা ফনা মহাক্কী অচুম্বদা য়ূম্ফম ওইরগা থৌনা ফনা মহাক্কী ৱাখল্লোন থমখিবনি। মমৈথংদদি আই বি দিরেক্টর অমদি অতৈশিংশিংদুনা তামোবু য়াওল্লুপকী মীওইনি, সেপরেটিষ্টনি, এন্টি ইন্দিয়ানি হায়না খনবগী মহুত্তা মহাক্কী ৱাখল্লোন্দুদা য়ানীংখি হায়না থম্বীরকই। ঐহাক ইশামকপুসু কংলৈপাক্কী মচু তরেৎকী ফিরাল হাইহল্লি অমদি ইমাশিংনা অফস্পাগী মায়োক্তা মফি লৌথোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবগী ফোটোদু স্যের তৌরুবদা ঐহাকপু মীয়ানচা কয়ানা এন্টি ইন্দিয়ননি, সেপরেটিষ্টনি, টেররিষ্টনি হায়না চৈরকখিবনি ফেসবুক অমদি সোসল মিদিয়াদা। মদুদা ঐহাক্লা মখাগী অসুম্না ওপন লেট্টর অসি ইদুনা ফোঙদোখিবনি:



**AN OPEN LETTER TO MY MAINLAND INDIAN FRIENDS**

When I represented my home state, Manipur and my adopted country, Taiwan and raised the two flags, many mainland Indians labeled/called me as anti-Indian, separatist or terrorist. But when thousands of athletes from Manipur represent India, raise Indian flag, bring medals and laurels for India they do not write even a single word or sentence when the central govt or mainland medias neglect them totally. So, why so much pain when just a single individual who is no more an Indian shows his love for his people and home state and for his adopted country? Before you call me whatever you wish to, please ask yourself first if you have ever written a single word or sentence to the mainland medias or central govt to show case or support these athletes from Manipur/North East. Thank you for your time.

Mr. Natural Olympia Champion,
Dr. Ngangbam Shantikumar Meetei
132 Comments127 Share

অশেংবা অদুদি হায়দোকপা তাই, ফোঙদোকপা তাই থৌনা লৈনা। 'য়েস সার, য়েস মেদাম' হায়না চৎপনদি শুকয়া য়ারোই ইন্দিয়াদদি। অতোপ্পা কয়া অমসু লৈখ্রে হায়নীংবা তামোগী মরমদা তামোনা ইচিন ইনাও নুমিৎ নীনি চুপ্পা লৈমিন্নবা অমদি কোয়থোকমিন্নবদা লীবিরম্বা ৱারী কয়া। কোন্না মতাং চাবদা অমুক হায়জরক্কে। ইয়াম্বা অসিগী হনবা লৈতনা ইরমদম কংলৈপাক্কী নাৎ, লাইনীং-লাইশোন, লোন অমদি ঙমখৈগী মতাংদা হোৎনরকপা, তাকপীরকপা কয়া অমসু লৈরি। ঐহাক্লা হুইয়েন লানপাউদা ইজখিবা কয়া অমদি ইয়াম্বা অসিনা থবক ওইনা তৌবিরম্মে, খঙলুদবগী ৱানি, তারুদবগী ৱানি ঐহাক্লা খঙলুদবনা মহাকপু। তামোনদি ঐহাকপু হান্না খঙবীরল্লে। তামো খোইরানথাবসি লোসু নীংথিনা খঙই, ইরমদমগী হিষ্টোরি অমদি লমিৎ-তুমিৎসু ফজনা খঙই, লোয়ননা সোসল প্রোব্লেম কয়াগী হৌরকফম অমদি করম্না মায়োক্ল



গনি, কোকহনগনি হায়বনচিংবা কয়াসু খঙই অমদি থবক ওইনা পাঙথোক্লুবা অঙম্বা হোৎনজৈ।

ঐহাক্লা হৌজিক হৌজিক ইরমদমগী ঙমখৈগী মতাংদা 'তামো নহাক মণিপুর হেক য়ৌবগা ক্বাথা ভিলেজগী খরা চৎপিরুচো, সোসল মিদিয়াদা তামোবুসু পল্লকই' হায়রুবদা তামোনা, "হান্নসু ২/৩লক চৎতুনা খুঞ্জাশিংগা উনদুনা য়েংশিল্লুরবনি, ৱারীসু শানখ্রে করি তৌবা য়াবগে হায়বদো অদুবু ইনশিনবা য়াওবা মাল্লি ঐহাক্লা হায়রম্বদো মখোয় তৌখিদ্রে। অমুক চৎলুখিনি' হায়না খুন্বীরম্মী এয়রপোর্টতা থিন্দোকপগী লম্বীদা।

নুমিৎ নীনি মনাও ঐহাক্কীদা লৈমিন্নদুনা কোয়থোকপা চৎথোকপদা টাইৱানগী ফীভমসিগা ইরমদম কংলৈপাক্কগী খেন্নবসি অসুক্কী মতিক ৱাংখ্রে হায়বসি তামোসু উখ্রে হন্দক্কী খোঙচৎসিদা। খেন্নবা ময়াম অসি ঐহাক্লসু টাসৱান্দা অমদি অতোপ্পা লৈপাকশিংদা কোয়রুদা, চৎলুবদা উরুরগা ঐহাক্লা অদুক্কী মতিক ইরমদমগীদমক থম্মোয় শোকপা, শাওনীংবা, খোইশাওনবা পোকপগুম তামো মনাওবীগী মায়থোংদগীসু তত্তনা উবা ঙমখি। অদুবু মহাক্ল দি ঐঙোন্দা য়াম্না ফজখ্রে, চাউখ্রে, ঙকখ্রে হায়রগা মরক মরক্তা তুমিন্না ৱাখল খন খন্দুনা লৈখিবা তাঙ্কক কয়াসু থেংনখি। মহাক্লা তুমিন্না লৈখিবা ঐহাকসু খঙখিদবা, ফাওখিদবা নত্তে। ইশামক্তসু মসি হঞ্জিন হঞ্জিন থোকপনা ইরায় লায়না অদুম উবা ঙমখি তামোগী থম্মোয়গী অৱাবা মহাক্কী মায়থোংদগী। অসিগুম্বগী থম্মোয়গী মমিসিদি আর্মি, কাপখায়নরকপনি, ফুগাইনরকপনি কায়না লোৎপা য়াপোৎনত্তে,, অদুম থোরকই।



অসিগুম্বা তামোগী মতিক ময়াই অফবা, অচুম্বা চৎচবা, মরমদম্বু অদুক্কী মতিক নুংশিজবা মীয়ামসি খঙলবা মতুংসিদা ঐহাক্লা য়াম্না ঙক্লিবদি, অসিগুম্বা মীওই অসিনা মমাঙগী মণিপুর ষ্টেটকী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ইলেক্সন্দা কাখিদবা অদুনি। করিগীনো অসিগুম্বা ইন্দিয়ন কন্সটিটুসনগী মতাংদা নিংথিনা খঙলবা, লোগী আইদিয়া কয়া লৈরবা অদুগা মথৌনা লৈনা অচুম্ববু অচুম্বনি, অরানববু অরানবনি হায়বা ঙম্বা, লানবু লাল্লবদি মথক থোংবা ওইসনু মখা তাবা ওইসনু ঐহাক নখোয়গী ওর্দর ইনবা ঙল্লোই হায়বা ঙম্বা, মশাগী মখোঙদা হৌগৎতুনা মশাগী অমদি ইরৈচাশিংগী ইহুল খঙনা অচুম অরান মায়োক্লনা হায়বা ঙম্বা অসিগুম্বা ইয়াম্বা অসিদা ভোট পীদদুনা অতোপ্পদা ভোট পীখিবা। মসিদনি ঐহাক্লঠ ইরমদমদা অফবা, মতিক চাবা অমদি চুম্না তৌজনীংবা, মরৈবাকপু তশেংনা নুংশিজবা মীওইনা ভোট কাদুনা লুচিংবা ওইনা ঙল্লোই হায়বসি। অসিগুম্বা মীওইসিনা ভোট কাদ্রদি কনানা লৈবাকসি লুচিংদুনা চাওখৎকদৌরিবনো, ঙমখৈ ঙাক্কদৌরিবনো হায়বসি ইরৈচাশিংনা য়াম্না লুম্না, লুনা খন্থফম থোকই। ঐখোয়না তৌজরুবনা ঐখোয়না ফংজবনি মহয় হায়বসি কাউফমেদ ইরৈচাশিং।

মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট অমগী খ্বাইদগী চাউবা মথৌ হায়রগদি মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা মীয়ামগী, মরমদমগী অৱাৎ অপা, অৱা অনা অমদি চাওখৎ লম্বীগীদমক মখোঙদা লেপখৎতুনা লোক সভাদা মীয়ামলক্তুদা ৱাকৎপা ঙম্বা, থৌনা ফনা চুম্মী লাল্লি হায়বা, ঐখোয়গী ফংফম থোকপা হক তানবদা অকিবা লৈতবা মখোয় ফোঙনা লাউবা ঙম্বা মীওইশিং অদুনি। মসিগী মতিক ময়াই য়াওদবা মীওইশিং অদুদি কান্নরোই, করিসু কান্নবা পুরকপা ঙল্লোই ইরমদমগীদমক। অদুবু অসিগুম্বা মতিক ময়াই চেনবা মীওইবুদি খন্দুনা শেঞ্জাও চাউনা চাউনা থাদদুনা ভোট লেপ্পা ঙম্বশিংদা ভোট পীবদগী হৌজিক্তি করি ওইরে। য়েংবিয়ু

হৌজিক হৌজিকসু ঙমখৈগী চয়েৎনবা লৈরি, পিছ একোর্দ লৈরি, অফস্পা লৈরি, জষ্টিশকী ৱাথোকশিং লৈরি অমদি অতোপ্পা কয়া লৈরি। মসিগীদমক ইরমদমদা ওইগেরা দেল্লিদা ওইগেরা কানানবু লাউবা ঙল্লিবগে, লাউরিবগে, ঐহাক্তি তাদে। ঐহাক্লা তারিবদি তুমিন্না লৈবদুনি নৎত্রগা 'য়েস সার, য়েস মেদাম' হায়না অসিখক্তনি।

ইরমদম কংলৈপাকপু কনসি হায়রবদি দেল্লি চৎতুনা মথৌনা ফনা, মখৌ পোংনা লাউবা ঙমগদবা মীওই মথৌ তাই হায়বসি ইরৈচাশিংসু খঙবীয়ু। দেল্লিদা মখোয়বু মীহুৎ ওইনা থারিবসি, নুংঙাই নুংঙাইনা মখোয়গী এয়র কন্দিসন রুমদা লৈরুনবা থাবদি নত্তে। তামো সরাংথেম মনাওবী/খোইরানথাবদি শোয়দনা ঙমগনি হায়বসি মহাক্কী ৱারী অমদি থৌদাংশিং অসিদগী খঙবা ঙম্মী। ময়াম্না মহাকপু তাঞ্জা অমা পীবিদুনা য়েংমিন্নরবদা অকায়বা লৈতব্রা হায়না থমজগে। সেন্তরদা ঐকোয় কনানো হায়না মথৌনা লৈনা, মখৌ পোংনা লেপ্তুনা শক তাকপা ঙমগদবা মীওইদি ইয়াম্বা অসিনি ঐহাক্কী ৱাখল্লোনদদি। খঙবা-হৈবখক্তনা চৎনবা য়ারোই মফমদুদদি। খঙসু খঙগদবনি, হৈসু হৈগদবনি অদুবু লেপখৎতুনা থৌনা ফনা মশাগী হক তানবা ঙমগদবা চুম্মী লাল্লী ফোঙদোকপা ঙমগদবা মীওইদি ইয়াম্বা অসিনি হায়না থমজগে ইরৈচা খুদিংমক্তা। ভোট থাদবদা পোলিটিকেল পার্টিগী ৱাহন্থোক লৈতবনি ইরমদম মণিপুরদদি। মী মীদুগী মতিক ময়াই ওইনা খনবিবনা হেন্না চুম্বনি। টাইৱান্দদি পার্টি পার্টিগী আইদিওলোজি ইল্লগা চৎপনিনা ঐখোয়না ভোট থাদবদা পার্টি পার্টি ওইনা থাদনৈ। মী ফনা য়াম্না ফরবসু পার্টি অদুগী আইদিওলোজি লোইনা ইন্নবনিনা। অদুবু মণিপরদদি মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবদুনি- চোঙথোক চোঙশিন কনানবু পার্টিগী আইদিওলোজি ইল্লিবগে ফমবু ফংলবদি, ভোটপু কারবদি। অদুনা ইয়াম্বা অসিনা লেপনীংবা পার্টি লেপকেরা, ইন্দিপেন্দেন্ট মীহুৎ ওনা লেপকেরা অকায়বা অমত্তা লৈতে ঐহাক্কী ৱাখল্লোনদদি (মণিপুরগী চৎনরিবা পোলিটিকেল সিনারিও অসি য়েংলগা)।

লোইশিল্লকপদা, ইশাগী হক ইশাগী মমল নীংথিনা শীজিন্নবা তম্লসি। লুপা লিশীং অনী-অহুম, মরি-মঙাগী ঙাইহাক্কী ওইবা ওইজবা তান্দুনা শেলগী মীহৌ লাংদা থুবদুদগী নাম্থোক্লসি, অদুগা ইরৈচাশিংগী অমদি ইরমদম কংলৈপাক্কীদমক অচুম্বা, অফবা, চাওখৎপা পুরকপা ঙমগদবা মীওইদা ইশা ইশাগী মমল য়াল্লবা ভোট শীন্নরসি। তামো খোইরানথাবা লাক্লিবা কুমজা ২০১৯গী এম পি ইলেক্সন্দা ভোট লেপকনি হায়না ফোঙদোকপীরম্মী। ঐহাক্তি তামো খোইরানথাববু থৱায় হকচাং য়াওনা শৌগৎচরে ইরমদম কংলৈপাক্কী তুংগী খঞ্জদুনা। ওহ, তামোগী মমীংদগীসু মহাকপু মশক খরদি খঙবা ঙম্বীগনি। তামোগী মীংসি অহানবা তাবদা 'চুরান্থাবা' হায়বা ৱাহৈদো নীংশিংহল্লি করম্বা ৱাহন্থোক লৈবগে হায়না হংবদা তামোনা অসুম্না, "মনাওবী হায়বসিনা অতোনবনি হায়দুনা থোনবীরম্বনি ইমা ইপানা। অদুগা কোইরানথাবা হায়বসিনা ইপাগী মমিং খোইরেন অদুগা ইমাগী মমিং ৱানি অদুগা থাবা, হায়বদি পাজীগা ইমাগনা পূনশিন্দুনা থাবীরম্বা মচানি হায়বনি' হায়না তাকপীরম্মী মনাও ঐঙোন্দা। মসিদগীসু মমা মপাবু য়াম্নঠ নুংশিজবা মীওই অমনি হায়বসি খঙবসু ঙল্লে। মমা মপাবু মীৎনা উবা লাইগুম খঞ্জবা, নুংশিজবা মীওই অমনা মরৈবাক মরমদমগীদমক অফবা থবক তৌরক্কনি হায়বদা করিসু চিংননীংঙাই লৈতে হায়না চাউথোকচনা থমজগে ময়ামগী মফমদা। তামোনা করম্বা পার্টিদগী লেপ্পা ঐহাক করিসু খনবিদে। মণিপুরদা, ইন্দিয়াদদি পার্টি হায়বসিদি পার্টি হায়দুনি, মমিংতগী ৱানি। মহাক্লা লেপনীংবা পার্টি অমা লেপসনু ঐহাক্তি চাদা ১০০ সপোর্ট তৌজরে, ময়ামসু খন্থবিয়ু। ইশাগী, লৈকায়গীসু খনগদবনি অদুবু ইরমদম কংলৈপাক্কী খনবা ঙম্বা মীওইদা ঐখোয়গী হক শিন্নদুনা অফবা খুন্নাই, লৈপাক অমা শেম্নবা হোৎনবনা ঐখোয় খুদিংমক্কী ইথৌনি হায়না থমজগে। মীকপ থোক্লসি কংলৈচাশিং। থেংমনখ্রবনি। ঐখোয়না সুম তূমথদুনা লৈরবদি মীকপ থোরকপদা কংলৈপাক হায়বা লমদমদো লৈরল্লোই, অদুগা মৈতৈ/মীতৈ/চীংমী/তম্মী লোইনা মুৎলম্বসু য়ারিবনি। তামো এস মনাওবীনা য়াইফরে, তামো খোইরানথাবনা য়াইফরে, কংলৈপাক্লা য়াইফরে।